পাকিস্টান ফোরেন মিনিস্টর কুরেসিনা কুলভুষন যাদবকী চপ চাবা খুদম চাংদম লৈ ফোঙদোকখ্রে

ইস্লামবাদ, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়া মচা কুলভুষন যাদবকী মপুং ফাবা খুদম চাংদম লৈ। ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিস (আই সী জে) দা থেংনরিবা কেস অদুপাকিস্টান্না মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না পাকিস্টানগী অনৌবা ফোরেন মিনিস্টর শাহ মেহমুদ কুরেসিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

পাকিস্টান মিলিটরি কোর্টনা কুমজা ২০১৭ গী এপ্রিল থাদা অরোনবা পাউ লৌবগী মরালদা চহী ৪৭শুরবা কুলভুষন যাদবপু শিবগী চৈরাক পীখিবনি। মিলিটরি কোর্টনা পীরকখিবা ৱায়েল অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ইন্দিয়ানা চহী অদুমক্কী মে থাদা ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিসতা ৱাকৎখিবনি। ইন্দিয়ানা আপিল তৌরকখিবা অদু য়েংলগা কুলভুষন যাদব হাৎপগী ৱাফম অদু ইন্টরনেসনল কোর্টনা থিংদুনা থম্লকখিবনি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টান্না মখোয় মখোয়গী ওইবা রিপোর্টশিং মালেমগী কোর্ট অদুদা লানখৎখিবা লৈখ্রে। কুরেসিনা ঙসি খা থংবা পঞ্জাবকী মুলতান সিটিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা হায়, কুলভুষন যাদবকী মথক্তা চপ চাবা খুদম চাংদমশিং পাকিস্টানদা লৈ। কেস অদু শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। পাকিস্টান্না মখোয়গী ফিরেপ অদু হোংদনা চপ চাবা থবক পায়খৎকনি হায়খি।

জিও টিভিনা ফোঙদোকখিবদা, কুলভুষন যাদবকী কেস অদু মথং চহীগী ফেব্রুৱারি থাদা চয়োল অমা চুপ্না হিয়ারিং চথগনি হায়না লাউথোকখ্রে। পাকিস্টানগী মায়কৈদগীদি মীওই অদু কুমজা ২০১৬ গী মার্চ থাদা ঈরাং লৈরিবা বেলোচিষ্টান প্রোভিন্সতগী সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফাগৎখিবনি। মহাক ইরান্দগী লৈবাক অদুদা লোন্না চঙশিল্লকখিবনি হায়না মরাল শিরি।

পাকিস্টান্না ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিসতা পীখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না কুলভুষন যাদব ইচম চন্না মীওই অমা নত্তে। মহাক্না অরোনবা পাউ লৌননবগীদমক লৈবাক অদুদা চঙশিল্লকখিবনি হায়রি। নাকল অমরোমদা, পাকিস্টান্না ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অদু ইন্দিয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়, কুলভুষন যাদব ইরানদগী ফাদুনা পুখিবনি। থবক্তগী পোত্থারবা মতুং মহাক লল্লোন-ইতিক তৌননবগীদমক ইরান্দা চৎখিবনি হায়রি।

দোনাল্ড ত্রম্প ইম্পোক্লবদি য়ু এসকী মার্কেট ক্রাস তৌগনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে

ৱাশিংতন, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী)ঃ

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প ইম্পোরকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবগা লোয়নন্না লুচিংবা অদুনা অকনবা ৱার্নিং তৌখ্রে। করিগুম্বা মহাক ইম্পোক্লবদি লৈবাক অদুগী শেল-থুমগী ফীভম চাউনা অকায়বা থোকহনগনি।

দোনাল্ড ত্রম্পনা ফোক্স অমসুং ফ্রেন্স নেটৱার্কতা ফোঙদোকখিবদা, করিগুম্বা মহাকপু ইম্পোকপা লাক্লবদি লৈবাক অদুগী মার্কেট ক্রাস তৌগনি। শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা অকনবা মীৎয়েং থম্লিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ত্রম্পকী মায়োক্তা লৈবশিংনা মহাকপু চৎলিবা চহী অসিগী নবেম্বর ফাওবগী মমাঙদা ইম্পোক্লবা থৌশিল পায়খৎলকপা য়াই হায়বা পাউ কয়া ফোঙনরকখিবা লৈখ্রে। পাউগী লীখুন অসিনা ফোঙদোরকপদা, মীখলগী মতমদা লুচিংবা অদুনা নুপী অনীদা য়াম্লবা শেনফম পীখি। নুপী অনী অদু পোর্নষ্টার ষ্টোর্মি দেনিয়লস অমসুং হান্নগী মোদেল করেন মেকদোগল ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈ। নুপী অনীদুনসু দোনাল্ড ত্রম্পকা মরী লৈনৈ হায়না ফোঙদোরকখিবসু লৈখ্রবনি হায়না দোনাল্ড ত্রম্পকী হান্নগী উকিল মাইকেল কোহেন্না ফোঙদোরক্লি।

কোহেন্না মখা তানা হায়, শেনফম ত্রম্পকী দিরেক্সন মতুংইন্না পীখিবনি। মীখলদা মহাকপু য়াহন্নবা মীয়ামদা ইথিল পীননবগীদমক অরোনবা থৌশিল অদু পায়খৎখিবনি হায়না মরাল শিরক্লি। নাকল অমরোমদা, দোনাল্ড ত্রম্পনা হায়, শেল পীখি হায়বা ৱাফম অদু মীখলগী ভোট খোম্বগী রুলদা অকায়বা লৈতে। মীওইশিং অদুদা লন্নাই ওইনা শেনফম অদু পীবনি। ভোট খোম্নবগীদমক পীখিবা নত্তে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মদুদা নত্তনা দোনাল্ড ত্রম্পনা মাইকেল কোহেনবুসু মরাল শিখিবা কয়া লৈখ্রে। লোয়নন্না মহাকপু করিগুম্বা চৈরাক খরদি পীফম থোকই হায়খি। ত্রম্পনা ফোক্স অমসুং ফ্রেন্সকা উনখিবা অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, করিগুম্বা মহাকপু ইম্পোরক্লবদি লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীওইশিং য়াম্না লায়রবা ওইগনি। অসিগুম্বা ফীভম অসি খন্থদ্রবদি খুদোংচাবা ফীভমশিং মায়োক্লগনি। লোয়নন্না ওন্ন-তৈনবা থৌদোক কয়া থেংনগনি হায়খি।

কেটগোরি মরিগী থাক্তা লৈবা হুরিকেন লেন হৱাই তম্না চঙশিল্লক্লে, চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে

হোনোলুলু, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):

য়ু এসকী ষ্টেট অমা ওইরিবা হৱাই তম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা কেটগোরি মরিগী থাক্তা লৈবা হুরিকেন লেন চঙশিল্লক্লে। ঈথৎ লৈবাক অদুদা য়ুমশকৈশা নুমীৎকী নুমীদাংদদি নোংলৈ-নুংশিৎ অদু য়ৌশিল্লক্লগনি হায়না পান্নরি।

কেটগোরি মরিগী থাক্তা লৈবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদু পুংদা মাইল ১৫৫ য়াংনা শিৎলি। কংফালগী লম নকশিল্ল-কপগা লোয়নন্না কেটগোরি মঙাগী থাক্তা মপাঙ্গল কনখৎলকপা য়াই হায়রি।

ঈথৎ অদুদা করিগুম্বা নোংলৈ-নুংশিৎ অদু মপুং ফানা চঙশিল্লক্লবসু অকনবা নুংশিৎ শিৎপা অমসুং অৱাংবা ঈথক লাকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে। কুমজা ১৯৯৪ দা কেটগোরি মঙাগী থাক্তা লৈবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ হৱাই নক্লা চঙশিল্লকপদগী লমদম অদুদা লৈবা মীওই কয়া অৱাবা মায়োক্লখিবা লৈখ্রে। হৌজিক হুরিকেন লেন হৱাই তম্না চঙশিল্লক্লিবা অদু য়েংলগা হোনোলুলুদা লৈবা মীয়াম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে। সমুদ্র খোংবালদা লৈবা হি কয়া হুমদোকখিবা নৎত্রগা মাঙহন তাকহনবা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকখ্রে।

নেসনল ৱেদর সার্ভিসকী মতুংইন্না নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা হৱাইগী মনুং চনবা ঈথৎ ওহু, মাউই, মোনোকাই অমসুং লনাইদদি চাউনা অমাঙ অতা থোকহল্লবা য়াই হায়রি। চেকশিন থৌরাং ওইনা সবমেরিন অমসুং জহাজশিং অতোপ্পা হিথাংফমশিংদা চৎহনখ্রে হায়রি।

পেরিসতা মীওই অমনা মমা ১সুং মচলনুপী থাঙনা থিন্দুনা হাৎখ্রে

পেরিস, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা মীওই অমনা মহাক্কী মমা অমসুং মচলনুপী থাঙনা থিন্দুনা হাৎখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মীওই অমনা শোকহনখ্রে। থৌদোক অদুগী মতুংদা পুলিসনা মীওই অদু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়রি।

ফ্রান্সকী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর জেরার্দ কোলোম্বনা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অদু টেররিষ্টকা মরী লৈনদে। অদুম ওইনমক ইস্লামিক ষ্টেটনদি এটেক অদু মখোয়গী মীৎয়েং মখাদা চথখিবনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে হায়রি।

পাউগী লীখুন অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, পুলিসনা মীওই অদু নোংমৈনা কাপত্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্না পুলিস পর্সনেলশিং হাৎকনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়নন্না অল্লাহু অকবর হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউখি হায়রি। মীওই অদুনা এটেক চথরম্লবা মতুং অতোপ্পা য়ুম অমদা চেনশিনখি। মদুগী মতুং মখুৎতা থাঙ পায়দুনা য়ুম অদুদগী চেন্থোরকপদা পুলিসনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি হায়রি।

কোলোম্বনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পেরিসকী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা তমথিবা থৌদোক অদু থোকখ্রে। মীওই অদু পূক্নিং-ৱাখলগী অনাবা লৈবা মীওই ওইগনি হায়রি।

পুলিসনা মীওই অদু মমাঙদগী হৌনা মশক খঙবা মীওইনি। মহাক্না টেররিজমগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মহাক পূক্নিং-ৱাখল লৈতাদবা অমদি কনাগুম্বা অমনা হায়বা ৱাফমশিং লৌদবা মখলগী মীওইনি হায়রি। কুমজা ২০১৫ দা পেরিসতা টেররিষ্ট এটেক চথরমখিবা মতুং ফ্রান্স শিনবা থুংনা অকনবা এলার্ট থমদুনা লৈরক্লিঙৈ চৈরক্তা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

ইস্লামিক ষ্টেটকী লুচিংবা অবু বাকর অল বাগদাদিগী অনৌবা ওদিও মেসেজ থাদোরক্লে

বাগদাদ, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):

ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) কী লুচিংবা অবু বাকর অল বাগদাদি কুমজা ২০১৪ গী জুলাই থাদগী মীয়ামদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈরক্লবা মতুং হন্দক নৌনা মহাক্কী ভোইস মেসেজ থাদোরকখ্রে।

চহী কয়াগী মতুংদা থাদোরকখিবা ভোইস মেসেজ অদুনা ফোঙদোরকখিবদা, ইরাক অমসুং সিরিয়াদা মায়থিবা নংলবসু আই এসপু শৌগৎপশিংনা পূক্নিং শোন্থরোইদবনি হায়রি।

থাদোরক্লিবা ভোইস মেসেজ অদু কদায় ফাওবা চুম্লবগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক এক্সপার্টশিংগী মতুংইন্না হান্নগী মেসেজ কয়াগা পুনশিন্নদুনা শেম শাবা অমা ওইগনি হায়রি। য়ু এসকী পাষ্টর অমা টর্কিদা ফাজিন্দুনা থমখিবা অমদি নৌনা থোকপা থৌদোক কয়াগী মতাংদা পল্লকপা লৈতে। নাকল অমরোমদা, সিরিয়াদা এয়র ষ্ট্রাইক চথবদা আই এসকী লুচিংবা অবু বাকর অল বাগদাদি শিরম্লগনি হায়না মমাঙ চহীদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক য়ু এসকী কম্মান্দরশিংনদি মহাক হৌজিক ফাওবা হিংলি। সিরিয়া অমসুং ইরাক্কা তায়নবা ঙমখৈ পরিংগী মনুং হঞ্জিনবা মফম অমদা মহাক লোৎতুনা লৈরমখিগনি হায়না ফোঙদোক্লি।

জুলাই থাদা আই এসকী ন্যুজ চেনেল অমনা বাগদাদিগী মচানুপা হুদৈফাহ সিরিয়াগী হোমসতা চথবা ওপরেসন অমদা লৈখিদ্রে হায়না ফোঙদোরকখ্রবনি। বাগদাদিগী অশেংবা মমিং ইব্রাহিম অৱাদ অল-বাদ্রি কৌই হায়রি।

মিলিটেন্টশিংনা চেক পোইন্ট ওফিসর হাৎখ্রে

ট্রিপোলি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):

লিবিয়াগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা লিটেন টাউনগী চেক পোইন্ট অমদা মিলিটেন্টশিংনা এটেক চথরকপদা সিক্যুরিটি পর্সনেল মরি শিরে। অদুগা তরেৎনা অশোক অপন নংখ্রে। লিটেনগী মেয়র নিফতাহনা ফোঙদোকখিবদা, চেপ পোইন্ট অদুদা মিলিটেন্ট অহুম চঙশিল্লক্তুনা অকনবা এটেক চথরকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সনা মিলিটেন্ট অমা হাৎপা ঙমখি। অদুম ওইনমক মীওই অনীদি নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়রি। মীওইশিং অদুনা কার অমা তোংদুনা চেক পোইন্ট অদুদা চঙলকখি। গাড়ীদগী কুমথরবা মতুং নোংমৈ অমসুং হেন্দ গ্রেনেদ শীজিন্নদুনা চথরকখিবনি হায়রি।

TODAY [illegible] TODAY
HOUSIE BUMPER DRAW
In aid of Annual Fund Drive
Org. by Manipur Kalakar Samitee
Regd. No. 2808 of 1979
Date & Time
24th August, 2018
at 4:30 P.M.
Ticket Rate
Rs. 1800/-
PRIZES
HOUSEFULL
GRAND i10

MINI BUMPER DRAW
HOUSEFULL - (1 Lac)
Ticket Rate
Rs. 250/-
All Line, Quick 5& Star are Rs 5,000/-
2Ticket Q10 Rs. 30,000/-
Venue : Moirangkhom Bokul Makhong Community Hall
HL-P/5268/24

Apollo [illegible]
Tutorial Centre
Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office
ADMISSION OPEN
Foundation Course For:
Class : XI Sc. (COHSEM & CBSE)
(Physics, Chemistry, Maths & Biology)
VAN Service available
Form Issue : 22 - 08 - 2018
Class Starts : 03 - 09 - 2018
Class timing : 4:20 p.m. - 7:45 p.m.
HOSTEL FACILITY : BOTH BOYS & GIRLS
Enroll just today and complete your ambition
Faculties : From Reputed Hr. Sec. Schools
For details Please Contact : APOLLO Tutorial Centre (7:00a.m. - 5:00p.m.)
HL-P/5258/22-30Aug&1-11 Sep(Alt.)

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER, Jiribam Manipur

Ref:- Mut. Case No. 21/AS&SO, Jiribam Manipur

Md. Habib Ali S/o (Late) Abubakkar Miah of Sonapur.
-Petitioner

-Vrs-

MST. Sajida Begum W/o Habib Ali of Sonapur.
-O.P.s.

[illegible]/NOTICE

Dt. 16/08/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি- জিরিবাম তাহশিলগী খুল নম্বর ৬-সোনাপুর পাট্টা নম্বর ৬৪ (অরিবা), ২০৯ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১২৭৫, ১২৭৬ কী এরিয়া ১.৫৭০০, ০.৩০০০ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল, ফৌরেল অসিগী কো-পাট্টাদার নং. ২ অসি মৃত: ওইখ্রে। মৃত পাট্টাদারগী লম অসি মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী মমীংদা নমা ওঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্টা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরম ওইদুনা য়েৎপীনিংবা মৃত: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি মনুংদা অইবা চেগা লোয়নন্না লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা কোর্ট অসিদা (ওবজেক্সন) য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হৌনবী হুকুম চথজরগনি।

Sd/- **Asstt. Survey and Settlement Officer**
Jiribam, Manipur

HL-P/5265/24

[illegible]
ADMISSION OPEN
ENGLISH COACHING
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact Nos. ☎ 8974642764
HL-P/4774/4/8-4/9

[illegible]
STUDY MBBS/MD
IN ABROAD
* BANGLADESH
* KAZAKHSTAN
* PHILIPPINES
* SOUTH AMERICA
* RUSSIA
* CHINA
* KRYGYSTAN
* GEORGIA
* UKRAINE
PACKAGE STARTS FROM 12 LAC
ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET-2019
Class Starts from 1st Week of August
Medical Council of India (MCI) Screening Exam
(FMGE) Coaching Classes will be Starting Shortly
(Available Library Facility with Reading Room After Class Hour)
PLZ Contact : ATAWAR RAHMAN, A.S.EDUCATION TRUST
(JR INTERNATIONAL CONSULTANT)
Khergao Thambalkhong, Near Old Cambridge School,
Imphal East, Manipur
BRANCH OFFICE : A.S.EDUCATION TRUST
MINUTHONG, HATTA TELLIPATI, IMPHAL
Contact No: 8974084294, 9435549886
9615706900, 8415930785, 8794249895
HL-B/4779/6/8-5/9

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER III, LAMPHELPAT, MANIPUR

Ref:- Mut. Case No. 143/AS & SO III ***Dt. 21/08/2018***

Leimapokpam Angoubi Devi W/o (Late) Leimapokpam Kokngangbi Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal.
... Petitioner

-Vrs-

(Late) Leimapokpam Kokngangbi Singh S/o (Late) Gopal Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal.
... O.P.

[illegible]/NOTICE

Imphal, Dt. 23/08/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ২৭ ৱাংখৈ নোংপোক্কী পাট্টা নং ৩৮৯ (অরিবা), ৩৯২/৬৮১ (অনৌবা), হাল দাগ নং ১১৩২/১৪৫৮ এরিয়া ০.০৬ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মাগী নুপীদা নামা ওনবীরো হায়দুনা AS & SO III গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা আপতি (ওবজেক্সন) তৌবীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজরগনি।

Sd/- **Assistant Survey & Settlement Officer III, Lamphelpat, Manipur**

HL-P/2025/24

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
[illegible]
Limited Seats!
Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm
Contact: 9612194500 | 8731977228
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018
CLASS - I TO X, CLASS - XI & XII (SCIENCE) (Both CBSE & BOSEM)
* PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
* PROBABLE SUGGESTIONS
* SPECIAL TEST SERIES
* COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
* WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
* HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS
FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Month)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Month)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Month)
CLASS XI & XII Sc. (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)
CLASSES STARTING FROM 12TH & 20TH JUNE, 2018
OUR FACULTIES FOR XI & XII SCIENCE:

FACULTIES FOR CLASS I TO X:
1. Madam Romita Devi (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Miss Promika (8 Yrs Experience in Teaching)
3. Miss Yaipharambi (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Miss Sona (3 Yrs Experience in Teaching)
5. Miss Preety (3 Yrs Experience in Teaching)
6. Miss Melody (3 Yrs Experience in Teaching)
7. Miss Esther (3 Yrs Experience in Teaching)
8. Miss Nonoly (3 Yrs Experience in Teaching)
9. Miss Nirmala (3 Yrs Experience in Teaching)
10. Miss Mrituinjoy (3 Yrs Experience in Teaching)
1. Sir Subhaschandra (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Sir Wardiam (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Sir Apol (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Sir Chetan (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Sir Bonje (5 Yrs Experience in Teaching)
HL-B/4797/17/8-15/9